**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-08-2025)**

**সনাজাউবা (এল) ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ইম্ফাল-জিরিবাম রেলৱে প্রোজেক্টকী থবক অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা কেন্দ্র সরকারগী পুকিং চিংশিনখ্রে।

রাজ্য সভাদা ঙসি এম.পি. সনাজাউবনা স্পিসিএল মেন্সন ওইনা পুথোক্তুনা কেন্দ্র সরকারগী পুকিং চিংশিল্লদুনা হায়-ইম্ফাল জিরিবাম রেলৱে প্রোজেক্ট অসিগী জিরিবাম-খোঙশাং সেক্সন কিলোমিটর ৫৫.৩৬ কী থবক মপুং ফানা লোয়শিনদুনা ২০২২ দগী মথৌ তৌবা হৌখ্রে। অদুবু লেমহৌরিবা সেক্সনশিং হায়বদি-খোঙশাং-নোনেগী কিলোমিটর ১৮.২৫ অমসুং নোনে-ইম্ফালগী কিলোমিটর ৩৭.০২ শাংবা রেল লম্বী অসি হৌজিক লোয়শিন্দনা লৈরি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা বন্দ-ব্লোকেড তৌবা, নম হাদুনা শেল মুনবগী থবকশিংগী মথক্তা নোংজ্ থাদা লম্বী অসিগী মফম কয়াদা চিং নিংখায়বগী থৌদোক তোয়না থোকপনা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ইম্ফাল তমা পুশিল্লকপদা চাউনা অপনবা ওইহলি।

**ডে (এল) ঃ** ৩৪ শুবা মনিপুরি লোল নুমিৎ ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখি। মনিপুরি লোলনা ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

মপুং ওইবা থৌরম মনিপুরি লেঙ্গোইজ ডে ষ্টেট লেবেল সেলেব্রেসন কমিতিনা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগা পুন্না শিনদুনা পেলেস কম্পাউন্দ

ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা হান্নগী কেন্দ্রগী শিক্ষা অমসুং মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জন সিংহ হায়-মনিপুরি লোল হিংহন্দুনা থমবগীদমক্তা ঐখোয় পুমমকা মতম চুপ্পদা য়ুমথোং খুদিংদা লোল অসি মপুং ফানা শিজিন্নবীবা তঙাইফদে। নহাশিংনা অমগা অমগা ৱারী ৱাতাই শান্নবদা য়ারিবমখৈ ইমা লোলদা শান্নবা হোৎনরি। সাহিত্যগী লমদসু সাহিত্যকারশিংনা মনিপুরি লোলবু চাউখৎনবা হোৎনবীয়ু। মহৈরোইশিংবু তাকপী তন্বীবদা মনিপুরি লোলদা তন্বীনবা হোৎনসি। মসিনা ঐখোয়গী মশক তাকপদা চাউনা মতেং ওইগনি।

শ্রী রঞ্জননা হায়-লোল অমনা মাঙথরকপগী মরম অমা ওইরিবা অসি লোল অদুবু ঙাংলিবা মীওইশিংনা লোল অসি থৌশাবীদবা মতমদনি। ঐখোয় পুম মকা মনিপুরি লোলবু য়োকখৎনবা মতম পুমমক্তা হোৎনসি।

থৌরমদুদা কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি অমসুং সেলেব্রেসন কমিতিগী চেয়ারমেন প্রোফেসার-মৈজিনলুং কামশোন, হান্নগী লোক সভা সদস্য-ডা: টি.ঐচ. মৈন্য অমসুং মণিপুরগী হান্নগী আর্ট অমসুং কলচরগী মন্ত্রি-ডা: এম. নরা সিংহ শরুক য়াখি।

অমরোমদা, দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসননা মনিপুরি লোলনা ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা চহি ৩৪ শুবা নীংশিং থৌরম-মনিপুরি লোলগী নুমিৎ দাইরেক্তোরেট অসিদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর পিপলস পার্টিনা মনিপুরি লোলনা ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎকী থৌরম দল অসিগী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা দল অসিগী মকোক থোংবা মীওইশিং অমদি কর্মিশিং শরুক য়াখি হায়রি।

ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না শিনদুনা ঙসি নুমিৎ অসিবু মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কর্ম্মস দিপার্টমেন্টতা পাঙথোকখি।

মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ কংলৈপাক (মীলাল) না

মনিপুরি লোলগী নুমিৎ, মীলালগী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং জিলাদসু মচা চনু-ককচিংনা শিনদুনা ঙসি নুমিৎ অসিগী থৌরম ককচিং লৌয়াই লম্বীদা গ্রেস কোটেজ কলচরেল এন্দ এদুকেস্নেল দিবলপমেন্ট ফাউন্দেসনদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা এন.বিরোহিনি দেবীনা মনিপুরি লোলদা পুরক্লিবা হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**দ্রগ (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাউথোং খুনৌদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থবদা কে.সি.পি.(এম.এফ.এল) গী মীওই অমা তাউথোং খুনৌগী মনাক্তা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তগী ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেম খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি অমদি নমদুনা মী ফাদুনা শেনফম লৌবদসু চেন্নে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, জিলা অসিগী লমফেল ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ ওফিস ময়াদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী মখা তাবা খোঙথাং ওইনা ককচিং জিলাগী তাংজেং খুনৌ মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এল) গী ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অনি অসি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেম খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী মিনুথোংদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা লুপ অসিমক্কী মীওই অমসু ফারে হায়রি। মীওই অসি করবার মচা মচা তৌবা মীওইশিং অমদি মীচম মীয়ামদা দিমান্দ লেটরশিং পীশিনবা অমদি অকি-অখঙ পোকহনবদা চেন্নে।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী অৱাং খুনৌ সবল লৈকাই অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী পাংগৈ লাইরম মপালদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খি। মদুদা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনি ফাখি।

মরক অসিদা, ককচিং জিলাদা ৱাবগাই লমখাইদা মনিপুর পুলিসনা মীওই

মরিদগী হেরোইন পাউদরনি চিংনবা কিলোগ্রাম অমা হেন্না ফারেহায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়-মীওই মরি অসিনা তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ৯১ দা হেরোইনচিংনবা পাউদর অসি হাপ্তুনা বোলেরো অমদা পুরকখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদু পোৎলমশিং অসিগা লোয়ননা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**রাজিবঃ** হান্নগী প্রধান মন্ত্রি রাজিভ গান্ধিগী ৮১ শুবা মপোক কুমওন, সদভবনা দিবসতা ঙসি মনিপুরগী কংগ্রেস লুচিংবশিং অমসুং কর্মিশিংনা লৈখিদ্রবা লুচিংবশিং অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকপা থৌরম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্র অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী সিংহনা লুচিংদুনা রাজিব গান্ধিগী ফোটোদা লৈ কৎখি। তুংদা কম্ম্যুনেল হারমোনি অমসুং নেসনেল ইন্তিগ্রেসনগী পাউজেল পুবা বাইক রেল্লি অমসু কংগ্রেস ভবনদগী লমথাখি।

**গভনর (এল) ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী হেড ক্বাটরসতা লাংমৈদোং ইমা কৈথেল শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ. গোবিন্দাস কোন্থৌজম, জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবম অমদি সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস, ওফিসিএলশিং অমসুং মীচম মীয়াম শরুক য়াখি। মসিগী তুংদা, রাজ্যপালনা বিষ্ণুপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাগা লোন্নবা মফমদা লৈবা সাধু চিরু ৱাটর ফোলদা চৎখি। মফম অদুদা রাজ্যপালনা ৱাটর ফোল অদু য়েংখি। সাধু চিরু ভিলেজ ওথোরিতিগী মীহুৎ কাংবুশিংনা রাজ্যপালবু তরামা ওকখি অমসুং টুরিষ্ট স্পোর্ট অসিদা মীয়ামনা মহৌশাগুমা চংথোক চংশিন য়ানবা শিনবীয়ু হায়না অইবা চেরোল

পীশিনখি।

**ফেষ্টিভেল (এল)ঃ** অনিসুবা তাদুই তাকো ফেষ্টিভেল (ফেষ্টিভেল ওফ হিমালায়ান ক্রোকোদাইল ন্যুট ওফ জাইমেং লেক) কাংপোকপী জিলাগী থোংলাং অতোংবা লিয়াংমৈ নাগা ভিলেজদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ফেষ্টিভেল অসি মণিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী মখাদা বেনা জাইমেং জোইন্ট দিভলপমেন্ট কমিতিনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়-মহৌশা লাইরেম্বীনা ঐখোয়গী মায়োক্তা লৈখ্রবদি ঐখোয় মালেম অসিদা হিংবা ঙমলোই। মসিগীদমক ঐখোয়না অকোইবগী ফিভম অসি ঙাক শেনবা অমসুং কনবগী মথৌ তাই।

থৌরমদুদা-হান্নগী লোক সভা সদস্য মনি চারেনামৈনা ফোংদোকখিবদা জাইনেং পাৎ অসিনা ঐখোয়গী হিংবগী লম্বীদা অচৌবা তেংবাং ওইরি। মৈহৌরোলদগী পাৎ অসিনা তোঙান তোঙানবা মহৌশাগী ওইবা পোৎথোকশিং মীয়ামদা ফংহল্লি। মসিনা মীয়ামগী হিংনবগী লম্বী ওইদুনা লাক্লি। থৌরমদুদা লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট-আর. মচুনদৌবৌ শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল) ঃ** ককচিং জিলাদা ঙসি মালেমগী মেলারিয়া নুমিৎকা মরী লৈননা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী কৈরক ময়াই লৈকাইদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমদি নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রামনা পুন্না শিনদুনা মেলারি এন্দস ৱিট অজ-রি ইনভেষ্ট, রি-ইমাজিন, রি-ইগনাইট হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট মীসন দাইরেক্তর অমসুং ককচিংগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: থাউদেম রাজেননচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা কৈরক্কী মনুংদা লৈবা আশাশিং, অঙ্গনৱাদি ৱাকর, জিলা অসিগী হকশেল

বিভাগকী মীওইশিং অমদি খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি।

**উখ্রুল (এল) ঃ** উখ্রুল জিলাগী উব্রুংতাংদা ঙসি মেলারিয়া, দেংগী অমসুং জপানি ইনসেফেলাইটিজ শন্দোরকপা থিংনবগী মতাংদা মীয়ামবু খঙহনবগা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং নেসনেল ভেক্তর বোর্ন দিজিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম-উখ্রুলনা শিনবা থৌরম অসি মরুওইনা জিলা অসিদা দেংগীনা নাবা মীওইশিং থেংবদগী পাঙথোকখিবনি। ঙরাং খক্তদা দেংগীনা নাবা মীওই অনি থেংনখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা দিষ্ট্রিক্ট মেলারিয়া ওফিসার-ডা: গ্রেস পামরৈফ্রিনা হায়-মীয়ামনা য়ুমগী অকোইবদা লুনা নান্না থম্বীদুনা দেংগী অমসুং অতৈ ভেক্তর বোর্ন লায়নাশিং শন্দোরক্তনবা হোৎনসি। করিগুম্বা মীয়ামনা কাংনা চিকপদগী নারে হায়না খল্লবদি খুদক্তা ঈ টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। সরকারগী হোস্পিতালশিংদা লেমা ঈ টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীরি।

**মাকেট (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক ন্যু মার্কেটতা নুমিৎ নিনি চথুগদবা রুরেল রুটস মার্কেট ঙসি হৌদোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইলিহুদ মীসন, থৌবাল সি.দি. ব্লোক্কী মখাদা শেম্বা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী ‘ফেদরেসন য়াইনুবী ক্লস্তর লেবেল ফেদরেসন’ না থৌরম অদু শিনবনি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী সাইক্রিতি ৱার্ড নৌনা মফম হোংদোক্তুনা হান্নগী কোবিদ ৱার্ড ওইরম্বা জিম খানা মনাক্তা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অসিদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিল কুমার শর্ম্মনচিংবা হোস্পিতাল অসিগী মকোক থোংবা মীওইশিং, ফেক্লতি মেম্বর

অমদি ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** কিহোম মনাদগী লং শুংবগী মতাংদা নুমিৎ ১০ নিগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র থৌবালদা হৌদোকখ্রে।

রাজ্য সরকার, আই.সি.এ.আর. অতারি জোন সভেন উনিয়ম মেঘালয়গী মখাদা লৈবা কে.ভি.কে. থৌবালনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা কিহোম মনাদগী করমা লং পুথোক্কনি হায়বগী মতাংদা তাঙ্কক নাইনা তাকপী তম্বীবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। ত্রেন্নিং অসিগী শরুক অমা ওইনা লৌমীশিংবু ইম্ফালগী সেন্ট্রেল এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতিদা পুদুনা চৎকনি হায়রি।

**তেংবাং (এল) ঃ** অপুনবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র তেংবাং লুপনা খামেনলোক্কী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই ১০ গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অহুমলকশুবা ওইনা পেন্সন অমদি ফি-শানবা কোল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

য়ুমাম খুনৌদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লুপ অসিগী মরুওইবা মীওই কয়া অমদি লৈকাইগী অহল-লম্মনশিং শরুক য়াখি।

**রাধাকৃষ্ণনঃ** এন.দি.এগী উপ রাস্ত্রপতিগী মীরেপ সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, ঙসি পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

মীরেপ চে পীশিনবা অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-অমিত সাহ, রাজনাথ সিংহ, জে.পি.নদ্দা অমসুং কিরেন রিজিজ্ অমদি এল.জে.পি. (আর) গী চিরাগ পাসৱান জে.দি.য়ুগী রাজিব রঞ্জন সিংহ অমসুং এন.সি.পিগী প্রফুল পতেল অমদি এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

মীরেপ চে পীশিন্দ্রিঙৈ মমাংদা সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা লৈবা প্রেরনা স্থলদা ভারতকী শকাইরবা লুচিংবশিং অমসুং ফ্রিদম

ফাইটরশিংগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎখি। উপ রাস্ত্রপতিগী মীখল মথং থাগী ৯ দা পাঙথোক্কনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগা রাসিয়াগী শকাইরবা স্কোলারশিং অমদি থিঙ্ক টেঙ্কশিংগী মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-মীফম অদুদা ভারত অমসুং রাসিয়াগী মরিগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মালেমগী জিও-পোলিটিক্সকী মতাংদসু ভারতনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

শ্রী জয়শঙ্করনা রাসিয়া ইন্টরনেসনেল গভরমেন্টেল কম্মিসন ওন ত্রেদ, ইকোনোমিক্স, সাইন্টিফিক, টেকোলোজিকেল এন্দ কলচরেল কোওপরেসনগী ২৬ শুবা মীফমদা ঙসি সভাপতি ওইনা শরুক য়াগনি। শ্রী জয়শঙ্করনা মোস্কোদা পাঙথোকপা ইন্দিয়া-রাসিয়া বিজিনেস ফোরমদসু ৱা ঙাংগনি।

**ওলেম্পিকঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা শিনদুনা জিলা অসিদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট ওলেম্পিক গেমস ২০২৫-২৬ কী ওর্গনাইজিং কমিতি শেমখ্রে।

সেপ্তেম্বর ২৪ দগী ২৮ ফাওবা চত্থগদবা গেমস অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমদা মশান্না ২০ দা শান্নরোইশিংনা অথোই অহেন তান্নগনি। লম অসিগী মতাংদা ঙসি থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হানা কামৈনা সভাপতি ওইদুনা দি.সিগী কনফরেন্স হোলদা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

**যোগঃ** ৩৭ শুবা নেসনেল যোগস্না চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা শরুক য়ানবা অমদি ১১ শুবা ইন্টরনেসনেল যোগস্না চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ কী ত্রাইয়েল সেলেক্সনগীদমক মনিপুরগী যোগ এঠলেট ৩৬ অমদি টিম ওফিসিএল মরিগী মিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

মনিপুর যোগ সোসাইতিগী চেরোল অমনা হায়-খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ২৯ দগী ৩১ ফাওবা মহারাস্ত্রগী নাগপুরদা পাঙথোক্কদবা ৩৭ শুবা নেসনেল যোগ স্না চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মনিপুরগী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়াগনি।

**সুটিংঃ** কজগাস্থানদা চংথরিবা এসিয়ান সুটিং চেম্পিয়নসিপকী মিটর ১০ গী ইয়ার পিস্টোল মিক্স টিমদা ভারতগী জরা-সৌরফ চৌধুরি অমসুং সুরুচি ইন্দরনা শেঞ্জেনগী তকমান লৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভারতনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা পুন্না সনাগী তকমান তরুক, লুপা তকমান মঙা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অহুম লৌবা ঙমলে।